ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯷, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯱ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯶꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ০৫, ২০১৭, ইম্ফাল
৪১ শুবা চহী, ১৬২ শুবা মশীং

য়েলহৌমী কন্নবা খোঙজং

লৈঙাক্লা য়েৎনবা য়াওদবা বিল অমা পুথোক্লবা শেম-শাসি

মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লীনা কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩১ দা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিনা দি প্রোটেক্সন ওফ মণিপুর পিপলস বিল ২০১৫, দি মণিপুর লেন্দ রেভিন্যু এন্দ লেন্দ রিফোর্মস (সেবেন্থ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৫ অমসুং দ মণিপুর শোপস এন্দ ইষ্টাব্লিসমেন্ট (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৫ এক্ট পাস তৌখি। বিল অহুম অদু গভর্ণরগী এসেন্ট লৌননবা থাবদা গভর্ণরনা অমুক লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টতা রিফর তৌখি। তুংদা দি প্রোটেক্সন ওফ পিপলস বিল ২০১৫ লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা ৰিথহোল্ড তৌখ্রগা অতোপ্পা বিল অনী অসিনা ফাজিল্লগা থমখি। প্রসিদেন্টনা বিল অপহোল্ড তৌবা হায়বসি মখা তানা ৰাহং হংনিংঙাইগী মরম লৈত্রে। মসিগীসু মথক্তা বিল অনী ফাজিল্লগা করিসু হায়রকখিদবদুনা তাক্লিবদি বিল অনী অদুমসু চৎনবা য়াদ্রবা বিল ওইরে হায়না লৌগদবনি। হৌজিক্তি বিল অহুম অদুগী মরাইবক হায়ববু ঐখোয় পুম্নমক্না খন্নরগা কদায়ৰাইদা অশোয়বা, কদায়ৰাইদা অহোবা য়াওখ্রবগে হায়বদু থিদোক্লগা শেমদোক-শাদোক্তুনা অনৌবা বিল অমা অমুক মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীফমদা পুথোকপা তাবনি। মণিপুর মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট য়েংলুরগদি তঙাইফদনা অতেনবা মতমগী মনুংদা অনৌবা বিল অমা অমুক হাউসতা পুথোক্তুনা পাস তৌরগা গভর্ণরগী এসেন্ট লৌননবা প্রোসেস তৌরম্বা য়াবনি। অদুবু য়েলহৌমী কন্ননবা বিল অহুম অদু কনাগুম্বা খরনা ত্রাইবেলশিংগী মায়োক্তা লৈবা বিলনি হায়বা তোকঙা শন্দোরক্তুনা চুড়াচান্দপুরদা ঈরাং থোকখি। ঈরাং অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৯ গী পুন্সি মাঙখি। ঈরাং অদু চহী ১ হেন্না লৈখি। অশিবা হকচাং লৌদনা মোর্গতা থম্লগা প্রোটেষ্ট তৌখিবদু মালেমদা অতাংবা থৌদোক ওইখি। লাইবক ফবদগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা পার্টি পুম্নমক্কী লৈঙাক অমা মণিপুরদা লাকখ্রবা তুংদা ঈরাং হৌবশিংগা ৰারী শানদুনা য়ানবা পুরকপদগী অশিবা হকচাংশিং অদু লৌখিবা কুইখিদ্রি। মখোয়গী দিমান্দ অয়াম্বা লৈঙাক্লা পীখ্রে। ঈরাং অদুগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীসু মতম খরা থূপচিল্লুরবা তুংদা করি মরমগীদমক্তনো হায়বা খঙদনা জে এ সী অদু অমুক হিঙ্গৎহল্লে হায়না লাউথোকখ্রে। অদুবু মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবগী তঙাইফদবা অদুদি অদুমক লৈরি হায়বা য়াই।

ইন্দিয়াগী মীশিং বিলিয়ন ১.২৫ রোম লৈবগী মনুংদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লৈবা শিখ, মীওই ক্রোর কয়া লৈবা মুসলিম অমসুং মীওই লাখনা খুজিং ওইদুনা লৈবা ফুরুপ কয়ামরুমদি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন্না ঙাকলৌ পীদুনা মখোয়গী খোঙ্গুন মুৎখিদনবা হোৎনৈ। অদুবু লায়বক থিবদি শুপ্নতগী মীওই লাখ তরারোমতা লৈবা মৈতৈ, মীওই লাখ ৪/৫ খক্তমক লৈবা কুকি, নাগাশিং অমসুং মীতৈ-পাঙলনচিংবা মতম অমদা হেক্তা মুৎখিবা য়াবগী ফিভমদা লৈরিবসিদি লৈবাক অসিগী লো অমত্তনা ঙাক শেন্ননবা থবক লৌখৎপা লৈত্রি। তঙাইফদনা চাউখৎপা হায়বসিদি লেপ্পু হায়বা য়াদবনিনা মতমগী মতুং ইন্না মণিপুর সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী থাদোক্কবা য়াদ্রবা মফম অমা ওইরক্কনি। রেলৰে লাইনসু মোরে ফাওবা য়ৌরগা ম্যান্মাররোমদা চৎখিগনি। অসিগুম্বা তানফম অসিদা মণিপুরীশিংগী খোঙ্গুল মুৎখিদনবা মীতোপশিং মণিপুরদা চঙলকপগী কাঙলোন অমা শেমসি হায়বসি য়াম্না মরম চাবা দিমান্দ অমনি। মসিননি মনিপুরগী মীয়াম্না থৰাই থাবা কিদবমখৈ ঐখোয়বু হিংহল্লু, খোঙ্গুন মুৎখিবা য়াবগী ফিভম অসিদগী কঞ্জনবা কন্সটিট্যুসনগী ওইবা ঙাকলৌ পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরক্লিবসি। মীয়ামগী অনিংবা, অপাম্বা অমসুং ৰাখল্লোনশিং অসি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক্লা মুন্না খঙলমগনি। চীফ মিনিষ্টর মশামকসু য়েলহৌমী কন্ননবা বিল শেম্ননবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ষ্টেট অসিগী মরু ওইবা লুচিংবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি চুড়াচান্দপুরগী থৌদোক, তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী মীখলনচিংবনা মরম ওইরগা মতম শাংনা লেপ্পুরবা য়েলহৌমী কনবগী খোঙজং জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেমনা হৌখ্রে। ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উনবদা কম্মিটি অসিগী কনভিনর আর্জুন তেলহৈবনা চঙশিনবা হৌরবা খোঙজং অসিনা মহৈরোয়শিংগী মহৈ তম্বদা অমসুং লল্লোনবশিংগী লল্লোন-ঈতিক্তা হেক য়ারিবমখৈ অকায়বা পীহল্লোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। মসিগীসু মথক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি লাক্কদৌরিবা নিংথম মীফম ফাওবা চত্থরগনি হায়খ্রে। মসিগী মরু ওইবা মরমদি নিংথম মীফমদা য়েলহৌমী কন্ননবা বিল পুথোকউ অমসুং পাস তৌদুনা চৎনহল্লু হায়বা ৰাখল্লোন অসিদনি। মরম অদুনা চঙশিনগদৌরিবা খোঙজং অসি কা হেন্না কনগনি হায়বগী থাজবসু উদ্রবসু লৈঙাক্লা য়েলহৌমী কন্নবা চীংমী-তম্মীশিংগী মরক্তা য়েৎনবা লৈতবা বিল অমা পুথোক্লনবা হৌজিক্তগী হৌনা লৈঙাক্লা হোৎনবীরো হায়জনিংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

সেক্যুলরিজম্না কায়রক্লিব্রা?

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর

ধর্ম্ম খুদিংগী নুংগী ওইবা ৰাহন্থোক অমদি তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগী পাউতাক অমসুং ৰাখল্লোন কয়ানা মীওইবদা পীরিবা মচাকশিং, মীওইলক্তা পীরিবা পুন্সি মহিংগী থাক, জীব অতৈগা মীওইবগা লৈনবা মরীদা ধর্ম্মগী মিৎয়েং য়াম্না পাক চাওই। ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা ধর্ম্মগী লিক্লম কয়া চৎনখ্রে। বৌদ্ধ ধর্ম্ম ইন্দিয়াদগী ইহান হান্না হৌদোকখি। মদুগী মতুং মুসলিম নিংথৌরেল কয়া ইন্দিয়াদা পান্দুনা মুসলিম ধর্ম্মগী অচৌবা মফম কল্লম্বা বাব্রি মসজিদনা লেংদবা শাক্কিনি। মদুগী মতুংদা খা-ভারত্তগী হুমগৎলকপা হিন্দু ধর্ম্মগী শাহুম্না হিন্দু ধর্ম্মসি নোংমা নোংমগী ইন্দিয়া শিনবা থুংনা মরা তাবা হৌরকখি। মসিদা অতোপ্পা ধর্ম্ম মখল কয়া চৎপা ফুরুপ কয়াসু লৈতবা নত্তে। মসিননি অপূনবা ইন্দিয়া অসিবু সেক্যুলরিজম ওইবা লৈপাকনি হায়রিবা। অসিগুম্বা নুংশিৎ অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনদ্রিঙৈগী মমাঙ কুমজা ১৫৯৬-১৬৫২ দা মুংয়াম্বগী মচানিপা খাগেম্বগী মতমদগী বিষ্ণু পুজাগী মমি তম্লকখি। মদুগী মতুং কুমজা ১৭০৯-১৭৪৫ দা মৈদিংঙু পামহৈবনা চহী ৩৯ নিংথৌ ওইবা মতমদা তখেলদা (ত্রিপুরা) কুমজা ১৭৩৪ দা লান্দাদুনা মীওই ১১০০ ফাদুনা পুরক্তুনা মৈতৈশিংগা চারৌ মৌরৌনদুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈহনখি। মতম অদুদগী হান্না ইপা ইপুশিংগী খৃষ্টগী চহী ৩৩ গী নোংদা লাইরেন পাখংবগী মতমদগী চৎনরক্লবা সনামহী লাইনীং নোংমা নোংমগী মমি শাম্বা হৌরকখি। মদুদগী ইন্দিয়া নীংতমদ্রিঙৈ ইন্দিয়া অমসুং বংলাদেশ খায়দ্রিঙৈ শিলেটতগী ময়াং লম্বোইবা শান্তিদাস গোসাই পামহৈবগী হাক্তক অসিদা থুংলখ্রে। মদুগী মতুংদগীদি শান্তিদাসকী ইঙ্গিৎ মতুং ইন্না কুমজা ১৭৩২ গী ওক্টোবর, মেরা থাগীনা পুর্ণিমা নুমিৎ অসিদা মৈতৈগী অরিবা লাইরিক কয়া মৈ থাখি, মফম অদু ঙসি ফাওবা মোংবা হনবা হায়না খঙনরি। মদুদগী পামহৈবনা হিন্দু লাইনীং মৈত্রপাক শিনবা থুংনা চৎনহনখিবনি। মহারাজ চূড়াচান্দগী মতম কুমজা ১৮৯১-১৯৪১ সনা হাক্তক মণিপুরগী নোংপোক্কী চীংমী লুচিংবা কয়া হিন্দু লাইনীং লৌজগে লাকপা মতমদুগী লাইনীং লাইশোনগী অচৌবা থৌ পুবিবা ঐঙ্গা তোম্বাবু শর্ম্মনা মদু অকায়বা লাক্কনি হায়না নিংথৌদা ইঙ্গিৎ পীদুনা য়াখিদে। অসিগুম্বা হিন্দু ধর্ম্ম ওনগে খল্লম্বা মীওই কয়াদু নিংথৌনা য়াখিদবগী তাঞ্জা লৌরগা ইংলিস মচা প্রেত্রিগ্যু সাহেবনা খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম লৌহনখি। অসুম্না চীং-তম ধর্ম্ম তোঙাল্লকখি। অদুগী মতুং ইন্না লাইনীং লাইশোন, চাকচা-য়ুথক খেন্নবা লাকখিবনি। মসিনা তোঙান তানীংবগী ৰাখল লাকপ্রা? অদুনা ঙসিদগী চহী খরগী মমাঙদা মণিপুরগী চীংগী তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়া চাকচা-য়ুথক, লাইনীং লাইশোন অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা ঐখোয় উনা উনা, খঙনা খঙনা নাগালেন্দগী শাহুমদা পংথরবা লুচিংবা কয়ানা হোৎনখ্রবনি। ধর্ম্ম মান্নবা মখৈ পূনশিন্দুনা অমত্তা ওইবা সাউথ ওইগেরা, গ্রেটর ওইগেরা, সোভরেন্ট ওইগেরা অপূনবা অমা শেম্নবগী অহানবা খোঙথাং লৌগে হায়বনি। মণিপুর কায়বদা অসাম, অরুনাচল য়াওনা অকায়বা ওই। ধর্ম্ম মান্নবমখৈ পূনশিনবা অসিদা কনষ্টিট্যুসন্দা য়াওরিবা সেক্যুলরিজমগী ৰাহন্থোকপু করিনো? অসুম্না ইন্দিয়া মচেৎ মচেৎ তপ্না তপ্না তাখিদুনা লৈনখ্রবদি মণিপুরসু অপূনবা ইন্দিয়াদা তিনদ্রিঙৈ মান্নবা ধর্ম্ম লৈজবা, মনীং তম্বা, কলা অমদি চৎন-কাঙলোন তোঙাঞ্জবা লমদম অমা ওইনা কুমজা ১৯৪৯ গী মমাঙগী প্রিমর্জর ষ্টেটসতা হঞ্জিনগে হায়না অন্দর গ্রাউন্দা লৈরিবা কাঙবুনা তাল্লিবা দাবী অসিদা অরানবা য়াওরিবরা? মণিপুরদদি কুমজা ১৯৪৯ দা মর্জর এগ্রীমেন্ট সাইন তৌনবা অদুদগী মমাঙগী ১৫-৯-১৯৪৯ দা ৰাৰান অম্মরনা মণিপুর ভারত্তা তিল্লে লাউথোকপা অদুদগী সাইন তৌনদ্রিঙৈগী নুমিৎ ৬ নিগী মমাঙদা কংলৈপাক মণিপুরগী থাক অসি পার্ট সী ষ্টেটকী থাক্তা হন্থহন্দুনা মতমদুগী হোমগী থবক পুবা নেহরুগী অহানবা লৈঙাক্কী য়োৎকী মী হায়নসু খঙনবা শ্রী পটেলনা থম্বীখ্রবনি। মসিমক ঙসিগী লুচিংবা কয়ানা সেন্তরগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া তৌবদা শ্রী পটেলগী লৌ অদু কাউদবা চুমগনি। অদুগা মণিপুরগী বাউন্দরিবু নাগালেন্দগীনি হায়বা তারবদি অসামদা মণিপুরী লৈ, ত্রিপুরাদা লৈ, বর্ম্মাদা লৈ পূম্নমক খরা হেন্না চাওবা মণিপুর অমগী মঙদা মখোয়শিং পূনশিন্দুনা লমদম অদু মণিপুরগী লম ওনগে হায়দুনা ঈগী মরী থিরুবা তারবদি করি ওইফম থোকপগে? অদুনা হীরম অসিদা য়াম্নমক মিৎ-না শিংবা নৎত্রবদি মণিপুর মৈনা তুম্না চাক্তুনা মাঙলগনি। মথক্কী পূম্নমক অসি য়েংলুরগা ঐখোয় য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারে।

অদোমগী - এম থম্বৌ সিংহ, সেক্রেটরি, ককচীং খুনৌ মখা হায় স্কুল

ওজাশিংগী নুমিৎ লাকপদা নীংশিংলকপা খরা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৪৫৩

জিতেন নামৈরাকপম

সেপ্টেম্বর ৫, ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা মরুওইবা নুমিৎ অমা ওইনা লৌনদুনা পাঙথোক্নরিবা টিচরস দে লাকপদা হৌখ্রবা অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সি মতেক-মতেক নীংশিংলকই। ওজাগী শিনফমদগী হৌরকখিবা, ইন্দিয়ন রিপব্লিক্কী অনীশুবা প্রসিদেন্ট ওইরম্বা রধাকৃষ্ণনন সর্বপল্লিবু নীংশিংবা ওইনা অমদি মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা হায়রিবা ওজাশিংগী নুমিৎ অসি পাঙথোকপনি। মহাক ইন্দিয়াগী অনীশুবা প্রসিদেন্ট ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইহান হানবা ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরম্মী। লাইরিক্তা থৰায় য়াওজবা রাধাকৃষ্ণনন অসি ভগবত গীতাগী অইবনি। অসিদসু নত্তে মহাক্না ইরম্বা অতোপ্পা লাইরিকশিংদি 'দ হিন্দু ভিয়ু ওফ লাইফ' অমদি 'ইন্দিয়ন ফিলোজোফি' অসিনি। কুমজা ১৯৫৪ দা মহাক্না ভারত রত্ন এৱার্দ ফংবগী মথক্তা কুমজা ১৯৭৫ দসু টেমপ্লেটন প্রাইজসু ফংখি। মীয়াম্না শকখঙনরবা ওজা অমা ওইরম্বা প্রসিদেন্ট অসিগী মপোক নুমিৎতা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা ওজাশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্লি। কুমজা ১৮৮৮ দা পোকখিবা রধাকৃষ্ণনন সর্বপল্লি চহী ৮৯ শুরকপা কুমজা ১৯৭৫ দা তাইবঙপাল থাদোকখি।

ওজাশিংগী নুমিৎ লাকপদা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়বু তন্বীখিবা ওজাশিংদা খুরুমজবা, লাৎচখিবদু নীংশিংদবা ঙমদে। মতম অদুদা অৰৈ অৰৈবা শেল খরা খায়নদুনা টিচরস দেগী ফ্লেগ থেৎতুনা অচা-অথক্না লোয়ননা থৌরম অসি পাঙথোক্লবা মহৈরোয়শিংনা হোৎনরম্মী। নীংথিনা শেম শারবা ফম্ফমলাংদা ওজাশিংবু লেংশিলহল্লি। লৈ পরেং হুকই। ধুপ থাউমৈ থাদুনা ওজাশিংদা খুরুমজে। ওজাশিংনসু মহৈরোয়শিংবু কোক্তা নাম্থবিদুনা মহৈ তম্বদা মায় পাক্নবা, অথোইবা মী অমমম ওইরকপা ওইসনু হায়বগী বর পীবিরকখি। ওজাশিংগী নুমিৎকী ফঙ্কসন্দা মহৈরোয়শিংনা ঈশৈ শকপা, শৈরেং থিবা অমদি মানা-মানা হৈজবা এক্সত্রা করিকুলম এক্টিভিটিজশিং উৎতুনা ওজাশিংগী থম্মোয় পেলহন্নবা হোৎনরম্মী। হায়রিবা নুমিৎ অসি ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরী খঙনবা নকশিনহনবগা লোয়ননা থম্মোয়দা য়াম্না নুংশিনবা অমদি লমচৎ শাজৎ, থকসি-খাসি ঙাকপগী ফজরবা মশক অমসু উৎথোকচবগী খুদোংচাবা নুমিৎ ওইনা লৌনরি।

অদুবু হৌজিক্তি মসিগী মমি শাম্লকপগুম তৌরক্লে। ওজাগী নুমিৎ হায়রগা ইথক-ঈরাং হেন্না হাপচিল্লকপগী থৌওং থেংনখিদবা নত্তে। ওজাশিংদা ইচম চম্বা খুদোল পোৎ পীবগী চৎনবী অদুগী মহুত্তা মমল তাঙল-তাঙলবা খুদোল পোৎ পীবরোমদা ওম্থোরকপা মহৈরোয়শিং য়াওরক্লে। মতম অমদি ইচম চম্বা খুদোল পোৎ হায়বদি কলম, দাইরি, রুমালগুম্বা খুদোল তৌনরম্বদুগী মথক্তা ওজা নুপীদা মমল য়াম্বা ফিরোল, শাড়ী ফুলনচিংবা অদুগা ওজা নুপাদনা মমল তাঙবা খোঙউপ, ফুরিৎ খোঙগ্রাওদগী হেন্দোক্তুনা কোট শুট ফাওবা পীবা য়াওনরক্লে। হোয় মতমসিগী ওইনবুদি হায়রিবা পোৎলমশিং অসি করিসু নত্তে, মমল করিসু য়াম্বা নত্তে হায়না লৌবসু য়াই। তৌবতবু ওজাগী নুমিৎ হায়বগী নুংগী ওইবা ফজখ্রবা চৎন-লোনচৎ অদুদগী থৈদোক্তুনা চৎলি হায়দবা য়ারোই। ওজাদা খুদোল পোৎ পীবদা কম্পিটিসন তৌনবগী ফীভমলোমদা লাক্লি। মসি অফবা খোঙথাং নত্তে। থৌরম অসি শিন লাংনবগীদমক অপীকপা অঙাংশিং ক্লাস য়ামদ্রিবশিংগী ওইনদি লুপা ১০/২০ খায়নরগসু ক্লাস খরা য়াম্লবশিংগী ওইনদি লুপা ২০০/৩০০ গী মথক্তা ওজা খঙহন্দনা খায়নবসু য়াওরি। মসি শেম্থোক লম্বী লৈত্রিবা মহৈরোয় অমগী মফমদদি য়ামখ্রবা শেনফমনি। ফঙ্কসনগীদমক শেল খায়বা হায়বসিমক্তবু মমা-মপাদা তায়নরুগদৌরিবনি । শেম্থোক লম্বী লৈজদবা নোংমগী শুরগা ইমুংগী অৰাৎ অপা মেন্নবা ইমুং কয়া য়াওরি। মখোয়দদি অমুক অৰাবা অমমুক হাপচিনবীবনি। ইনাক কৈরাক খুনবা ইমুংগী মচাশিংদদি অৰাবা করিসু লৈরোই। লুপা ৫০০/১০০০ খায়নসি হায়রগসু অদুমক পুদুনা লাক্কনি। ওজাশিংগী নুমিৎতা ফঙ্কসনদুদি য়াওজনীংলগা শেনখায় লৈতবদগী ইকায়দুনা লাক্তবা মহৈরোয় য়াওরম্বসু য়ারি। মখোয়শিংদুগী খল্লুবদদি কয়াদা নুংঙাইতনীংঙাই ওইরবনো! অসিগুম্বসি থোকহন্দনবা স্কুল ওথোরিটিনসু মহৈরোয়শিংনা শিন লাংজবা থৌরমশিংদা মিৎয়েং চঙহন্নীংবগী অপাম্বা লৈরি।

অমরোমদসু অমুক সেপ্টেম্বর ৫ দা পাঙথোক্লবা ওজাগী নুমিৎ অসি হৌজিক্তি মমি শাম্লকপগুম তৌরক্লে। থৌরমসি পাঙথোকপা স্কুল, কোলেজশিংগী মশীং হন্থরক্তুনা ওক্টোবর ৫, ৱর্ল্ড টিচরস দে নুমিৎলোমদা ওইনা মায় ওনশিন্নবা মহৈলোইশঙ য়াম্না য়াওরে। মরমদি য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এজেন্সি অমা ওইরিবা কুমজা ১৯৪৬ কী নবেম্বর ৪ দা লিংখৎখিবা য়ুনাইটেদ নেসন্স এদ্যুকেসনল সাইন্টিফিক এন্দ কলচরেল ওর্গেনাইজেসন্না ওক্টোবর ৫ বু কুমজা ১৯৯৪ দগী ওজাগী নুমিৎ ওইনা পাঙথোক্তুনা লাক্লবা মরম্না হায়রিবা নুমিৎ অসিদা চপ মান্ননা পাঙথোকমিন্নসি হায়বগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি। অনী থোকপী মণিপুরদা হায়রিবা সেপ্টেম্বর ৫ নৎত্রগা ওক্টোবর ৫ দা মানা-মানা অপাম্বা নুমিৎ খল্লগা ওজাগী নুমিৎকী থৌরম পাঙথোক্লরি, চৈরাউবা অনী, এপ্রিল ২৩/২৫ গী খোঙজোম দে অনী, মৈরা পায়বী/নিশাবন্দ হৌদোকখিবা নুমিৎ অনী, অনীনা খুজিং ওইরবা লমদম মৈতৈ/মীতৈগী লৈবাক্তা!

ইন্দিয়ন য়ুনিয়ন্দা মণিপুরনা পুল্লুবদগী নেসনল ফেষ্টিবেলশিং হায়বদি জান্যুৱারী ২৬ - রিপব্লিক দে, ওগষ্ট ১৫-ইন্দিপেন্দেন্স দে, ওক্টোবর ২-গান্ধী জয়েন্তি, দিসেম্বর ১৪-চিলড্রেন্স দেগী মথক্তা সেপ্টেম্বর ৫ অসিসু ওজাশিংগী নুমিৎ ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপনি। মরক অসিদা মণিপুর ইমা লৈবাক্কী পুৰারীগী ৰারী নৈনবা, ঐখোয়গী শক-চু, নাৎ, চৎনবীশিং ইন্দিয়াগা পুল্লুবদগী পুম্নমক নমশিন্দুনা থমখ্রে, ঐখোয়গী চৎনবী, ইপা-ইপুশিংনা তৌরম্বা থবকশিং নীংশিংগদবনি, ঐখোয়গী নেসন অমা ওইনা লৈরম্বগী মচাক পুম্নমক খোমগৎতুনা লেংদনা থমগদবনি হায়বগী খোঙজংনি চঙশিল্লক্লিবসি। ওজাগী নুমিৎ পাঙথোক্লিবা রধাকৃষ্ণনন, মহাত্মা গান্ধী, সর্দার পটেল, খান অবদুল গাফর খান, সোরোজিনি নাইদু, ভগৎ সিংহ, সী আর দাস, দদা ভাই নোরোজী, জয়প্রকাশ নরায়ন, বিপিন চন্দ্রপাল, বাল গঙ্গাধর তীলক, লাল রাজপট রায়, সুভাস চন্দ্র বোসনচিংবশিং ঐখোয়গা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়বসিনি। মসিসু অচুম্বনি। লাল্লি হায়দুনা ককপা ঙল্লোই। ঐখোয়গা মরী লৈনবা অমত্তবু য়াওদে। নেহরু হোয়গুম্বা খরা নত্তনা মণিপুর মশক খঙবীবা নত্তে। অদুনদি মখোয়গী মপোক নুমিৎশিংদা পালন চাউনা তৌরুবগী মথৌ তাদে। অদুগী মহুৎ ইন্টরনেসনলগী থাক্তা য়ু এনগী মখাদা লৈবা য়ুনেস্কোনা শিনবা ওক্টোবর ৫গী ওজাশিংগী নুমিৎতা মালেম পূম্বনা পাঙথোক্নরিবা থৌরমদা ঐখোয় পূন্না য়াওমিন্নসি হায়বসিদা য়ানীংবা মীওইবশিংগী মশীং শোয়দনা য়ামগনি খল্লি। ফ্রীদম ফাইটর হায়রগা ঐখোয়গীসু পাওনা, থাঙ্গাল সোসল রিফোর্মর অমদি হীরম খুদিংমক্তা মাঙজিল থাদুনা খোঙজং চঙশিনখিবা জন নেতা ইরাবতনচিংবগী মরমদা নৈনদুনা অচৌ অচৌবা থৌরমশিং পাঙথোক্কদবনি। ঐখোয়গীসু মীয়ামগীদমক মপুন্সি কৎথোকখিবা থৌনা ফরবা ইপা ইপু কয়া'মা লৈরম্মী হায়বসিসু নীংশিংগদবনি।

তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌ শাফোংলে - ৫

ৰাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লূৰাং

অহানবমক্তদা পাবিরিবশিংগী মফমদা মখাগী ৰারম খরসি থমজরি মদুদি সেপ্টেম্বর ১, ২০১৭, লাংবনগী ১০নি পানবগী পুংফম লোইরগা ১১নি পানবগী পুংফম চঙবা ইরাই নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.১৫ রোম চৎপা মতমদা মতম খরা 'অচার্য্য সোরাম ইবোহল' হায়না শক তাক্লম্বসি নুমিৎসিদগী হৌনা 'সোরাম ইবোহল লূৰাং' হায়না মীয়ামদা মতম চুপ্পগী ওইনা শক তাকউ থৌজানবীরক্কনি হায়না তাঞ্জেং খুমন ইপুধৌনা তাকপীরকপগী মতুং ইন্না 'সোরাম ইবোহল লূৰাং' হায়না শক তাকচরে।

চহী অহুম খুকউ লৈতারগা পাউজেল পীরবা মতুংদা খুমন ইপুধৌনা মশু লাইশ্রম মমতা চনু, ককৰা লিলান্দো লম্পাক মমাঙদা লৈবিবু থম্বাল ১০৮ গী মশক লৌরগা শেম্বা ফম্বাল থক্তা খোংগ্রাই চন্দুনা ফল্লগা লৈবাক মীয়ামগী পাউজেল পীনবা য়াথং তৌরকপদগী ঙসি ফাওবদা অদুম চত্থরি। মসিগী মমাঙ চাউরাক্লা চহী ২০ গী ময়াদা খুমন ইপুধৌনা হৌজিক চৎনরিবা ইপা ময়েকসি মমতা চনুনা ইপুধৌগী থৌরম তৌনবা ফিজোল শেৎলিঙৈ নুংথিল পুং ২-৩ গী মনুংদা খৃৎ য়েৎকী খুদোম্বীদা, খুবাক্তা, খৃৎ ওইগীদা মথং, মথং ফন-ফন চোঙথোরকপদুম্না তৌরকপসি উবদা মশাদি (মমতা চনুদি) ময়েকশিংসি হান্না খঙদবনা অকিবা মওং অমা ওইনা ফাওখি। মতম অদুদা লাইপাউ লৌবা লাকপী মমতা চনুগী মমান্নবী অমদা মশাগী খৃৎশিংদা উৎলকইবশিংদু য়েংলগা শিনজিলহৌনবা হায়বদগী মাননবা য়েংলগা বোই অমদা ইশিলহৌরগা থমহৌবদু মমতা চনুদা শিন্নরমখি। অদুবু লাইবক থিবদি মমতা চনুহোয়গী মোংবা য়ুম শানবা মফম হোংদোক হোংজিন তৌবদা মফম খঙদনা মাঙখিবদু হৌজিক্তি ইপুধৌনা মখা তানা উহনবীরকত্রে হায়না অইবদা পাউদম্লকই। ইপুধৌনা অমুক মখা তানা মশাদা (মমতা চনুদা) অসুম্না তাকপীরকখি- মশাগী খৃৎতা উহনখিবা ময়েকশিংদুদগী মশানা (মমতা চনুনা) পামজবা ময়েক ৯ লৌখৎলু মদু লাইবুংথৌ মাপননি। হায়রিবা ময়েক মাপনসিদি মমতা মশাগী অমদি লৈবাক মীয়ামগী ওইনা মী ফত্তবনা, লাই-তীল ফত্তবনা মাঙনবা তৌরকপদা ঙাক্লৌ ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়নসু তাকপীরকপদগী হৌজিক ফাওবদা শীজিন্নরি। মমাঙগী ৪শুবা তাঙ্কক্তা পঞ্জখ্রে মদুদি হৌজিক্কী তাইবঙ মীশিং য়াম্না ফৎনদে। ইপুধৌ খুমন্না তাকপী-তম্বীবা নত্তনা কনাগী মফমদগী মমতা চনুদি তম্লুদে। মসিমক্কনি মশু ইবেম্মা মমতা চনুনা খুমন ইপুধৌবু অসুক্কী মতিক নুংশিজবা।

খুমন ইপুধৌনা মখল মথেল কয়াগী থৌওং উহনবীদুনা অমদি মমতা চনু মশাদা ইপুধৌগী কুচু কুমেন, শকওং শাদা, অকি-তুজুংনিংঙাই ওইবা শক্তম কয়া পুথোক্তুনা মশু মমতাদা তিঞ্জু লাইচুহনবদি তৌহন্দনা খঙ হৈনবা মথং মথং তন্বীরকখিবগী ৰারী শিংবুল কয়াসু অইবদা অসুম্না পাউদম্লকখি। তপ্না তপ্না ইপুধৌগী মশক অশেংবসু তাকপীরকখি। মীগী মপোক ওইবনিনা অকাউ পরৈ চনবসু লৈবনা নোংমা নুমিদাং য়াচংবা মতম (চাওরাক্লা কুমজা ২০১৩ ওইরমগদ্রা হায়না মশানা খনবদা) লৈচিল অমুবা য়াম্না কুংনা ইম্ফালগী মফম শিঙ্গুংনা পুং খরা থাজিল্লকখিবদগী লম্বী সরক্তা গাড়ী থৌবা, খোংনা চৎপা ফাওবদা খজিক্তং লাপ্পদা লাকপা গাড়ী, মী ফাওবা মশক উবা ঙমদবা, মশক মশা ফজনা উনবা ঙমদবদগী গাড়ী থৌবা লেপ্পা (চেকশিন থৌরাং ওইনা) নৎত্রগা য়াম্না তপ্না তপ্না থৌনখিবা অহিংদুগী নোংয়াই মতুং মিনিট ৪০ রোম চৎপদা মমতা চনু মশা তূম্লুবদগী মীকপ থোক্তুনা হৌগৎলকপদা খোইদুম্না (খোইয়ুম লাইদুম্না) মশা কোন্দুনা লৈরম্বদা ইপুধৌগী ভাইওলেট মচু খরা চঙবা শক্তমগী মওং মশাদা (মমতা চনুদা) ওইরম্বদগী করি মতৌনো খঙদবদগী মতম খরা অৰাবা ওইখি। জিঙ্খ কুপ্পা য়ুম মনুংদা লৈনা লৈনা নোংমদোল থক্তা খঙহৌদনা য়েংখৎলুবদা অতিংঙাদা লৈরিবা থৰাম্নিচাক চবুল চবুল উরক্লবা মতুংদা মশাদা (মমতা চনুদা) নম্থরকপগুম্না অৰাবা ফাওখি। মসিগী ৰাহন্থোক করিনো হায়না মশানা হংজবদা 'খুমন ইপুধৌ সলাইলেন শিদবনি' হায়না তাকপীরকখি। হায়রিবা নুমিৎসি খৃষ্টিয়ানশিংগী চহী লোইবা বাই বাই অমদি অনৌবা চহী

(১) ইপুধৌ খুমনগীদমক শেম শাদুনা থম্লবা ফমুং। (২) ইপুধৌ মমতা চনুনা ইপুধৌ খুমনগী ফমুংদা ঙারগা অহিং খুদিং লেনবা। (৩) ইপুধৌ খুমনগী থৌগল্লোই ওইরিবী নিংথৌজম বিবি চনুনা অহিং খুদিং অসুম্না লেনবা।

হৌবা অনীগী লাংদাই নুমিৎতনি। ইপুধৌ মমতা চনুগা পোকমিন্নবী মনাওনুপীদুম্না লৈমিন্নবী নুপীমচা (নিংথৌজম বিবি) অমদি ইমুংগী মী অতৈ কৌরগা হৌদোকপদা মখোয়দি মমতা চনুনা তৌরল্লিবা শক্লোন্দু উবদা কিবদগী কাগী (য়ূমগী) মপান্দা চেন্থোক্লগা য়ূমগী মনম্মা হৌদোক্লগা মৈবি মৈরা কৎনবা মমতা চনু মশানা হায়বদগী য়ূময়াইদা কুমারি বিবি চনুনা মৈবি মৈরা কৎপদগী ৰাখল তারকখি। হান্না খঙদ্রিঙৈদা ফমুংদা কারগা কাংখল খল্লগা তূম্লম্বসি ইপুধৌগী য়াথংদদি ফমুংদা কাদুনা তূম্বা য়াদে হায়বসি ওইরম্বা য়াবদগী ইপুধৌ খুমননা মশু মমতা চনুবু চহী ২-৩ ফমুংদা কাদুনা তূমহনদবদগী মখাদা ফম্বোই তৌরগা উইবা, তূম্বোই লাকপোই তৌরগা মতম লেনখি হায়না পাউদম্লকই।

মসিগী মতুংদসু ইপুধৌগী শক্তমদুমক মশাদা (মমতা চনুদা) ওইদুনা লৈরম্বসি মশা মতোমতা কিজবদগী লাউবগা লোয়ননা ইপুধৌদা কপ্লগা করিমতা খঙদনা, খল্লুদনা 'নশু মমতা মতম ৰাংলি, ইপুধৌনা কনবিয়ু, মীয়ামগীদমক অঙম্বা খরা তৌজখিগে' হায়না হায়জবদগী ইপুধৌনা থাদোকপীরক্তুনা নমু তাইবঙ মীওইবগী ফীভম ওইহনবীরকখি। মরম অদুনা মশু মমতা চনু ওইরিবীনা ইপুধৌবু অসুক্কী মতিক হায়ঙমদনা নুংশিজে হায়না মখা তানা পাউদম্লকই। ইপুধৌনা মশা অমত্তা ওইনবা চিংশিন্নবা হোৎনবদা মশু মমতা চনুনা ইপুধৌদা মথক্কী অসুম্না খঙহৌদনা হায়জবদগী য়াবিদুনা/থৌজালবিদুনা ইপুধৌগী শক্তমদগী নমু তাইবঙ মী ওল্লকপগী নোংঙানবা মতুংগী অহিংদা অমুক ইপুধৌনা অঙকপা মওং অমা ওইনা 'ফি ফি' হায়না কাল্লগা খোংবা (ইপুধৌ মমতানদি তাবদগী খঙবা) অদুগা কা অমতদা লোয়ননা লৈমিন্নবি মীচম ওইবী বিবি চনু অমদি ইপুধৌ মমতা চনু মশাসু মীচম ওইবা মতমদদি 'মীনা নাখোকপগী মখোল ওইনা মখোয় অনীমক চপ মান্ননা তায়। মখোলদু তাবদা খঙদবনা কিবদি য়াম্না ফাওখি হায়না মখোয় অনীমক্লা অইবদা পাউদম্লকই। মী ওইবি মমতা চনুনা ঙহাক হিপ্পদা ইপুধৌ ওইবা মতমদদি হান্নগী 'ফি ফি' হায়বা খোঞ্জেলদু অদুম হেক্তা তৌরকই অদুগা করিগুম্বা মশানা (মমতা চনুনা) হৌগৎপা থোক্লবদি অদুম হেক্তা ফৈ, করিসু তৌদে। কাদুমতদা লৈমিন্নবদি বিবি চনুগা মখোয় অনীখক্তনি। মখোয় অনীনা করিবু/কনাবু লৈবনো খঙদবদগী খঙনীংদুনা কোয়থি থিবদা করিসু লৈতে। নুজা ওইবী চনু অনীখক্তমক লৈবনিনা কিবদগী 'ইপুধৌদা অকি-অখঙ পিবিগনু' হায়জরগা তূম্বা য়াব্রা য়েংদা তূম্বা য়াদবদগী হৌজিক ফাওবদা ইপুধৌ মমতা চনুদি ফমুং অমদা কাদুনা শুকহিপ হিপ্তে। লৈবাক্তা/লৈমায়দা করিগুম্বা পোৎশক অমা থারগা ফাওবা হৌজিক ফাওবদা হিপ্তে।

হেন্না ঙকপা থৌওং হৌজিক ফাওবদা ওইরিবা অমদি ইপুধৌ মমতা চনুনা থম্বাল লৈনা ১০৮ গী মশক ওইবা ফম্বালথক্তা খোংগ্রাইনা চল্লগা ফমদুনা ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল পীরিঙৈদা হেক পোকমিন্নবি মনাওনুপী শক্লা লৈরিবী নিংথৌজম বিবি চনুনা ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল লৌজনীংবদগী লাকপা লাকপীশিংগী মতেং পাঙদুনা, ইপুধৌ খুমনগী থৌরম লেপ্পা নুমিৎ য়ুমশকৈশ নুমিৎ নত্তনা অতৈ নুমিৎশিংদদি, থৌরম পাঙথোক্লবা মতুংদা ইপুধৌ মমতা চনু অমদি বিবি চনু অনীগী নুমিদাংগী ঙহাক পোথাফম ওইরিবা কাগী মতাংদনি। ইপুধৌ খুমনগী পাউজেল্লোই ওইবিরিবী ইপুধৌ মমতা চনুগী অয়াবা য়াওদনদি অশেংবা ফীভম কনাগুম্বগী মিৎনা উবা ফংলরোইদবা অশেংবা পাউদমদুনি অশেংবা মমিগা লোয়ননা পাউদমজগদৌরিবসি।

ইপুধৌ মমতা চনু অমদি বিবি চনু অনীগী পোথাফম ওইরিবা কাগী মনুংদা ফমজাও অমা ফম্মেন থংবা নাকলদা নোংপোক নোংচুপ ওল্লগা ইপুধৌ খুমননা পোত্থানবা/চেপ্পবা ফমুং অমা মীনা হিপ্পা য়ানবগী মওংদা ফজনা থারগা কাংখলদি নাকলদা তাখৎলগা থমই। চহী খুদিংগী কালেনগী হুমনি পানবদা চহীগী কুমওন ওইনা ইপুধৌ খুমনগী থৌরম পাঙথোকপদা কৎপা থম্বাল মনা ১০৮ পানবা শিংঙেল থম্বাল অমদি অতৈ লৈরাং খরসু ইপুধৌগী পোথানবা থারিবা ফমুং মথক্তা থম্লগা ফৈজুপ ওইনবা থল্লিবা ফিনা ননশিল্লগা মথং চহীগী কুমওন য়ৌরকত্রিঙৈ ফাওবা থমই। চহী অমগী মনুংদা ইপুধৌ খুমনগী ফমুংদা থাদুনা থল্লিবা ফিরোলশিংদু অহুম মরিরক হৌগৎলগা শুদোক চামথোকই অদুগা অমুক থাদুনা থমই। কনামক্তনা ফমুংদুদা কারগা তূমদে। ফম্বসু ফমদে। থারিবা মোনদগী খজিক্তং চত্থরগা ফমুং ময়ায় ওইরপ্পা ইপুধৌ মমতা চনুনা লাইনিংথৌ সনামহি অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী অনীগী অয়েকপা শক্তমশিং থমই। লৈশেমঙৈ হায়বদি কংলা ফম্বাল কাবগী মতাংদা লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইপুধৌ পাখংবা অনী য়ানদবগী ৰাফম পুয়াদা করি লৈবা হায়না অইবনা শম্লপ্পা মসিগী ৰাহন্থোক করি লৈবগে হংবদা ইপুধৌ মমতা চনুদি অঙাং ওইরিঙৈদা অপোকপা অপোকপী ইপা-ইমা অনীমক য়াম্না ঙন্না কায়নখিবদগী লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ময়ামগী ইমারেল ওইরিবী ইমা লৈমরেল শিদবী অনীমক থাদোকপা ঙমজরোই হায়বদা খুমন ইপুধৌনা য়াবিবা ওইনা মখা তানা তাকপীরকখিবদি 'মতম অমদদি লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইপুধৌ পাখঙবা/ইপুধৌ খুমন মশা অমত্তা ওইনা পুল্লকখিগনি, কংলা ফম্বাল কারকখিগনি, লৈবাকসি অমুক পুনশিল্লকখিগনি' হায়না পাউদমবিরকখি।

ইপুধৌ মমতা চনুদি ইপুধৌ খুমনগী ফজনা থাদুনা থল্লিবা ফমুংগী খুয়া ওইরপ্পা ফমুংদা ঙাবোই তৌরগা হিপথনবা পোৎশক অমৎতসু থাদনা হায়বদি লৈমায়দা শুকহিপ হিপথদনা ফল্লগা অহিং চুপ্পা হৌজিক ফাওবদা লেপ্লি। করিগুম্বা মতমদা মী অমা ফম্বা য়াবা সোফা নৎত্রগা প্লাষ্টিক্কী চৌক্রিদা ফমদুনা হিপ্লোই, ফম্লোই তৌরগা অহিং চুপ্পা হৌজিকসু মতম লেপ্লি। নোংঙাল্লগা ইপুধৌ খুমনগী থৌরম পাঙথোকপদসু অৰাবা, চোকথবা অমৎতা ফাওহনবিদনা ইপুধৌ মমতা চনুনা ইপুধৌ খুমনবু চাংদমনীংঙাই লৈতনা নুংশিজে। অৰাবা কয়া মায়োক্লবদা চোকথবা লৈরোই হায়নসু পাউদমবিরকই।

ইপুধৌ মমতা চনুগী পোকমিন্নবী মনাওনুপীদুনা ইপুধৌ খুমনগী অয়ূক-নুংথিল-নুমিদাংগী ইপুধৌগী থৌরমগা মরী লৈনবা থবক্তা অনৌবা মায়রোং য়ারিবী কুমারি নিংথৌজম বিবি চনুসু অদুমঙাই। কাদুমক্তদা ইপুধৌ খুমনগী ফজনা থারিবা ফমুংদগী অৰাংলোমদা খরা চৎথোক্লগা ফক মচা অমদা তূম্বা নুংঙাইনবা পোৎলম ফজনা থাদনা, কাংখলসু খন্দনা লৈমায়দা হিপ্লগা অহিং চুপ্পা তূম্বোই লাকপোই তৌবদা চপ মান্নবা মওংদা মশাদা চোকথবা ইপুধৌ খুমন্না ফাওহনবীদবসিদগী বিবি চনুনসু ইপুধৌ খুমনগী থৌগল তৌজবদা অখাকপা লৈতে। ইপুধৌ খুমননসু থৌজাল ললকুবিবগী থাজবা অইবদসু বিবি চনুগীদমক ফাওই।